**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-11-2025)**

**গভনর (এল) ঃ** রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা হায়রি-লৈবাক অসিদা মেম্বর কোতি অহুম হেন্না লৈবা কোওপরেটিব সোসাইতি লাখ ৮৫৪ হেন্না লৈদুনা ঙসিদি লৈবাক অসিগী শেল থুম অমসুং খুন্নাইগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলি।

ইন্তরনেসনেল ইয়র ওফ কোওপরেতিভ ২০২৫ গী রাজ্য থাক্কী মীফম ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তর ইম্ফালদা হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়-হৌখিবা চহি মরিরোম অসিদা সরকারনসু কোওপরেটিব ইহৌদা অহেনবা মীৎয়েং চংলক্লি। হৌখিবা চহি মরি অসিদা কোওপরেসন মন্ত্রালয়না শিংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং ৬০ হেন্না পায়খৎলে। মহাকা হায়-ইন্টরনেসনেল ইয়ার ওফ কোওপরেটিব-২০২৫ অসিনা কোওপরেটিব অসি চাউখৎপগী ইঞ্জিননি হায়বদু মালেমগী মীয়ামদা হেন্না ময়েক শেংনা খঙহল্লে। ভারত সরকারনসু কোওপরেসনগী তোঙানবা মন্ত্রালয় হাংদোক্নুনা মতমগা চুন্নবা অনৌবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা কোওপরেটিবকী ইহৌ কনখৎহন্নবা হোৎনরি।

মীফম অসি নবার্দ মণিপুর রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা মনিপুর সরকারগী রেজিস্ত্রার ওফ কোওপরেতিভ সোসাইতিজ, ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেতিভ মেনেজমেন্ট, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ বেঙ্ক লিমিতেদ অমসুং অতৈ কোওপরেতিভ সোসাইতি কয়াগা খূৎশমনা শিনবনি।

**রাজ্যপাল (এল) ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা মীফম অমনা হৌজিক ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ

পরিংদা ঙমখৈ শন্বল খাবগী থবক য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা এদিসনেল দি.জি. বোর্ডর রোডস (ইষ্ট) অমসুং ২৫ শুবা বি.আর.টি.এফকী সি.ও. য়াওনা বি.আর.ওগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। মখোয়না হৌজিক ফাওবগী ওইরিবা শন্বল খাবগী থবক অমসুং মখোয়না থেংনবা তোঙান তোঙানবা সমস্যাশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি। সরকারগী মায়কৈদগীসু শন্বল খাবগী থবক মখা তানা নীংথিনা পাঙথোকবা হোৎনবদা পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়না রাজ্যপালনা থাজবা ফোংদোকখি।

**ভিবিআরৱাই (এল) ঃ** প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিত ভারত রোজগার য়োজনাগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা কেন্দ্রগী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গী দাইরেক্তর জেনরেল (ষ্টেটেটিক্স)-পি. সঙ্গিথকুমারনা হায়-স্কিম অসিগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য সরকারগা খুৎশমদুনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখ্রে। লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়না ইমপ্লোয়িজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ই.পি.এফ.ও) গী খুত্থাংদা হৌদোকখিবা স্কিম অসিনা ইং ২০৪৭ ফাওবগী ভারত চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহাশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীদুনা থবক ফংবগী চাং ৱাংখৎহন্নবগী ৱাখল্লোনদা স্কিম অসি হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিনা লেবর ইনটেন্সিব মেন্যুফেকচরিং সেক্তরশিংগী ওইনা অনৌবা ইন্দষ্ট্রিজ কয়া হৌদোকপা অমসুং হান্না লৈজরিবশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবদসু মতেং ওইরগনি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং তমেংলোং হয়ার

সেকেন্দরি স্কুলনা পুন্না শিনদুনা ঙসি স্কুল অসিগী ওদিটোরিয়মদা ‘নুপী অমসুং নুপীমচাশিংদা চথবা হিংশাগী থৌওংশিং থিংনবা হোৎনবদা নুপা অমসুং নুপামচাশিংগী থৌদাং’ হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিনিংফম মোনশাংনা হায়-হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংনা চহি শুদনা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদারবদি পোক্সো এক্টকী মখাদা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা তমেংলোংগী এস.পি. লুইখাম লানমিয়োনা হায়-তমেংলোং জিলাদা হৌখিবা চহি ১৫ অসিদা নুপীগী মায়োক্তা চথবা হিংশাগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থদুনা কেস ১১ খক্তমক রেজিস্তার তৌখি।

**দিলিগেটস (এল)ঃ** গৰাদা থা অসিগী ২০ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৬ শুবা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া (ইফি) দা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী মীওই মরিনা শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়ারুগনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক মীওই মরি খনবদা অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটতা দেক্স এদিটর ওইনা লৈরিবা হৈরাংখোঙজম ভবন য়াওরি।

**মুক্তা (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকবগুম নসা মুক্তা ভারত অভিয়াননা চহি মঙা মপুং ফারকপগী পালন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডাঃ নিবেদিতা লাইরেনলাকপমনা লুচিংদুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী মনুং চন্না দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা লুচিংদুনা তোঙান তোঙানবা ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী ৱাশকসু লোমীন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-লৈবাক অসিদা নিশাগী পোৎলমশিং অমদি নোন-মেদিকেল দ্রগশিং কা হেন্না শিজিন্নবা অসিদগী ঙাকথোকবা হোৎনবদা কেম্পেইন অসিগী থৌদাং চাউই। মহাকা হায়-কেম্পেইন অসিবু মপুং ফাহন্নবা হোৎনবদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংনা শরুক য়ামীন্নদুনা হোৎনমীন্নবা চংই।

পালন থৌরম অসি জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা স্কুল, কলেজ, অঙ্গনৱাদি সেন্টরনচিংবদসু পাঙথোকখি।

ককচিং জিলাদসু নসা মুক্তা ভারত অভিয়াননা চহি মঙা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা দ্রগকী মায়োক্তা লৈনবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস ককচিংনা পুন্না শিনদুনা দি.সিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

পালন থৌরম অসি জিরিবাম জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবাম, দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটনা পুন্না খুৎশমদুনা দি.সিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

ফেরজোল জিলাদসু নসা মুক্তা ভারত অভিয়াননা চহি মঙা মপুং ফারকপগী থৌরম ঙসি দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

**তোবেকো (এল) ঃ** নেসনেল তোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট তোবেকো কন্ট্রোল সেল, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেইন থ্রি পোইন্ট জিরো ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিষ্ট্রিক্ট তোবেকো কন্ট্রোল সেল-ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-এ. দিনেশ শর্ম্মনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা ঐখোয়গী হকচাংদা শোকহল্লিবা কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। মখা তানা কেম্পেইন অসিগী মখাদা তৌগদবা থবক থৌরমশিংসু মীয়ামদা মমুৎ তানা

খঙহনখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা মহাক্কী ওফিস কমপ্লেক্সতগী উরিপোক্তা লৈবা রাম কৃষ্ণ মীসন স্কুল ফাওবা চৎকদবা রেল্লি অমসু লমথাখি। রেল্লি অদুদা আশা ৱাকর, এন.সি.সি. ইয়ার স্কাদ্রোনগী কেন্দিদেটস য়াওনা অতে ভোলুন্টিয়ারশিং শরুক য়াখি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী ওফিসশিংদা শেঞ্জা থুমজা তৌবা থিংননবা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা সি.বি.আই, এ.সি.বি. ইম্ফালগী কাংবুনা ইম্ফালদা লৈবা প্রিন্সিপাল একাউন্টেন জেনরেলদা জি.ও.ই. সেক্সনদা সেনিয়ার একাউন্টেন ওইবা মীওই অমা ফারে। মহাকা পাংগৈদা লৈবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটোরি (এফ.এস.এল) গী ষ্টাফ অমগী এম.এ.সি.পিগা মরী লৈনবা ফাইল অমা প্রোসেস তৌবদা লুপা লিশিং ১০ লৌননবা হোৎনরম্বগী মরালদা মহাকপু ফাখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি। কনাগুম্বা কর্ম্মচারিশিংনা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা থবকশিং চথুরবদি মোবাইল নম্বর-৬৯০৯-৩৯৭৭-৯৯ দা নৎত্রগা লেন্দ লাইন নম্বর-০৩৮৫-২৪১-৪১-৪৫ তা পাউ পীরকবসু সি.বি.আইনা হায়রি।

**শ্যাম (এল)ঃ** অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা মনিপুরি সিনেমাগী লমদা দিরেক্তর অমা ওইনা থবক তৌরকপা চহি ৫০ শুরকপগী পালন থৌরম ঙসিদগী ইম্ফালগী তন্থা পোলোইজ সিনেমা হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুরি ফিল্মগী শকাইরবা আর্টিষ্টশিং অমদি মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা হায়-পালন থৌরম অসি চহি অমা চুপা চথগনি। হায়রিবা চহি অমা অসিগী মনুংদা মহাক্কী তোঙান তোঙানবা

মনিপুরি ফিল্ম কয়া উৎকনি।

**নেচরোপেথি (এল)ঃ** ৮ শুবা নেচরোপেথি ডেগী থৌরম ঙসি ককচিংগী চুমনাং মচিন-মনাও চীংদা লৈবা অনন্দ সিংহ্ যোগ এন্দ নেচরকিয়োর রিছার্সতা পাঙথোকখ্রে।

সুরিয়া ফাউন্দেসন এন্দ ইন্টরনেসনেল নেচরোপেথি ওর্গনাইজেসন, নেসনেল ইন্সটিট্যুট লফ নেচরোপেথি অমদি খা মনিপুর যোগ এন্দ নেচরকিয়োর এসোসিয়েসননা লাইওন্স ক্লব গ্রেটর ৩২২-দিগা খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা যোগ অমসুং নেচরকিয়োরগী মতাংদা ৰা ঙাংখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী আইমোল সাতু ভিলেজতা চৎতুনা মফম অদুদা খুঞ্জাশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনখ্রে।

তেংনৌপল ব্লোক কংগেস কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এ.আই.সি.সিগী সেক্রেটরি অমসুং মনিপুর, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমদি ত্রিপুরাগী থৌ পুরিবা খৃস্তোফর তিলকসু শরুক য়াখি।

**পিআর (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক থল্লিবা রাস্ত্রপতিগী সাসন অসি লৌথোক্তুনা ভারত সংবিধাননা পীরিবা হকশিং মনিপুরগী মীয়ামদা নীংথিনা ফংহন্নবা সোসিএল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, ইম্ফাল ইষ্টনা হায়রি।

ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমদা মীয়ামনা খঞ্জবা মীহুৎশিং লৈনা লৈনা মনিপুর বিধান সভাবু মথৌ তৌহন্দনা থম্বা হায়বসি মীয়ামগী তঙাইফদবা হকশিং মৎপনি অমসুং গনতন্ত্রবু খোঙ্গাউনবনি হায়না লৌফম থোকই।

**মাওইষ্টঃ** অন্ধ্র প্রদেসকী আলুরি-সিতারামা-রাজ্ জিলাগী মরেদুমেলি উমংদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা মাওইষ্টশিংগা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট তরুক শিরে।

শিরবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা মখোয়গী লুচিংবা অমসুং সেন্ট্রেল কমিতিগী মেম্বর-মাধবি হিরমা, মহাক্কী লোয়নবী রাজে অমসুং মহাক্কী নকবা তুং ইনবা মীওইশিং য়াওরি।

অন্ধ্র প্রদেসকী দি.জি.পিনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অদুনা ঙসি অয়ুক পুং তরুক্তগী মফম অদুদা থিবা হুন্থবগী থবক চথখি। অন্ধ্র প্রদেস, ছাতিসগর অমসুং উরিষ্যা তায়নবা ঙমখৈগী লমদা মাওইষ্টশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী ওপরেসন অদু চথখিবনি।

**প্রসিদেন্টঃ** ক্লাইমেট চেঞ্জনা হৌজিক্কী মতম অসিদা ঈশিং ফংবা ফংদবগী খোঙচৎতা অকায়বা পীরে হায়রদুনা মীপুম খুদিংমকা ঈশিং ফংনবা অমসুং অৱাৎপা লৈহন্দনবা পুন্না হোৎনমীন্নগদবনি হায়না রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি তরকশুবা নেসনেল ৱাটর এৱার্ডস-২০২৪ অমসুং অহানবা জল সনচৈ জন্ন ভাগীদারি এৱার্ড য়েন্থোকপগী থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিগী য়াম্লবা মীশিংগা য়েংনবদা ঈশিং ফংনবগী লম্বী অসি খরা ৱাৎলি। মরম অদুনা হৈ-শিংনা ঈশিং শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ঈশিং য়াওদ্রবদি মীওইবনা হিংবা ঙমদে হায়রদুনা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমবা হোৎনরিবশিং অদুগীদমক রাস্ত্রপতিনা মনা ফংলবশিংবু থাগৎখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, হয়েং অন্ধ্র প্রদেস অমসুং তামিল নাদুদা চৎকনি। মহাক্কী অন্ধ্র প্রদেস খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রিনা পুত্তাপাথিদা লৈবা ভগবান শ্রী সত্য সাই বাবাগী সমাধিসু ওইরিবা শেংলবা লাইশঙদা চৎতুনা লাই খুরুমগনি। ভগবান সত্যা সাই বাবাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদসু

শরুক য়াগনি অমসুং মহাক্কী পুন্সি, পাউতাক অমদি মহাকা থন্বীরম্বা পুমমকপু ইকায় খুমবা ওইনা নীংশিং শেল ময়েক অমা অমসুং স্তাম্প ফোংগনি।

থৌরমদুদা তিনবা মীয়ামদসু ৱা ঙাংগনি। তুংদা, শ্রী মোদিনা তামিল নাদুগী কোইম্বেতোরদা চৎতুনা সাউথ ইন্দিয়া নেচরেল ফার্মিং মীফম হৌদোক্কনি।

**যাদবঃ** কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি-ভুপেন্দর য়াদবনা হায়রি-ভারতনা ইং কুমজা ২০৩৫ ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী শেমদোক্লবা নেসনেলি দিটরমিন কন্ত্রিব্যুসন (এন.দি.সি) দিসেম্বর ফাওবদা ফোংলগনি।

ব্রাজিলগী বেলেমদা য়ু.এন. কোপ থারতি সমিটকী শরুক অমা ওইরিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী য়াদবনা হায়-কান্নদবা মওংদা গ্রোথ হেনগৎলকপা অমসুং চাউখৎ থৌরাংশিংগর থবক পায়খৎপগী মওংশিং অসিনা ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বসি অশেংবা অমসুং শোয়দবা হায়বদু ওইহল্লে। মহাকা চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা মখোয়না হৌজিক পীরিবা মতম অদুগী মাংওইননা নেট জিরোগী পান্দম অদু ফংহন্নবা তকশিনখি।

**সঙাই (এল)ঃ** মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ গী মাংওইননা সঙাই রন-২০২৫ ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

লমজেললোই লিশিং ১,৫০০ রোমনা শরুক য়াখিবা লমজেল অদু ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী হোম অমসুং ফাইনান্সকী কম্মিস্নার-এন. অশোককুমারনা লমথাখি। শকাইরবা শান্নরোই কয়া শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লমজেল অদু লোয়শিল্লকপদা মনা-মথুমশিং পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**ফুটবোল ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা চৎথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-

এস.এফ.সি. সোরানা পি.ৰাই.সি. কৈরকপু পাঞ্জল ৮-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এম.ৰাই.সি.-ৰাইখোংনা জে.এ.ককচিংবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ৩ সুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি সেক্তাগী এস.এস.সি. গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ৬২ শুবা মেটচতা- ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসননা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ক্ষেত্রি ইরিল মপান য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ওকপা ঃ** ইন্দোনেসিয়াগী বটামদা পাঙথোকপা ১৬ শুবা ডব্লিয়ু.বি.টি.এফ. ৱার্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়ারুবা মকোক মথং তারকখ্রবা শান্নরোইশিং ঙসি ওল মনিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসননা তরামা ওকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা জ়নিয়ার বোদি বিল্ডিং ওপন কেটেগোরিদা-রিকি হৱাইবমনা সনাগী তকমান, চোংথম ব্লনসলি মীতৈনা লুপাগী তকমান ফংবা ঙমখি।

কিলোগ্রাম ৬৫ গী সেনিয়ার বোদি বিল্ডিং কেটেগোরিদা সিনাম মোমোচা সিংহনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখি। নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৫ গী কেটেগোরিদা থোকচোম সনজিতানা মঙাশুবা পোজিসন তাকখি।